য়ুহা হাখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) : সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা মেগনিচুদ ৩.৪ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে হায়রি। য়ুহা হাখিবা অদু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাং পুং ১০.৩৫ চৎপা মতমদা থোকখিবনি। নোর্থ ইষ্টর্ন রিজনদা হৌখিবা থা খরা অসিদা য়ুহা তোয়না হাবগী ফিভম থেংনরি। থা অসিগী ৫ দা মেঘালায়াগী ৱেষ্ট গারো হিলসতা মেগনিচুদ ৩.৩ য়ৌনা য়ুহা হাখি। জুন ২৫ দা চান্দেলদা মেগনিচুদ ৩.৫ য়ৌনা য়ুহা হাখি। জুন ১৯ দা ইম্ফালদা মেগনিচুদ ৪.৪ য়ৌনা য়ুহা হাখি। জুন ১ দা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা নুংথিল পুং ৫.৪৮ রোম চৎপা মতমদা মেগনিচুদ ৩.২ য়ৌনা য়ুহা হাখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

এৱ্যেরনেস কেম্প্যেন

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) : কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগস এন্দ আলকোহোল (কাদা) না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গা খুৎশম্নদুনা এভোইদ দ্রগ এব্যুজ ফোর এ বেটর মণিপুর হায়না চঙশিল্লকপা কেম্প্যেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা পল্লেল আইদিয়েল হায়স্কুলদা এৱ্যেরনেস কেম্প্যেইন অমা পাঙথোকখ্রে।

কেম্প্যেইন অদুদা পল্লেল হায়স্কুলগী এসিষ্টেন্ট টিচর রোমি, এমসু ককচিং দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট এম প্রবিন্না থৌরম মপুশিং ওইনা শরুক য়াখি। কাদা ময়াই লোয়শঙগী থৌমীশিং, কাদাগী সেক্রেটরি জেনরল দিপানজিৎ নিংথৌজম, কাদাগী ফাইনান্স সেক্রেটরি গীতচন্দ্র মঙাং, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরি ময়াংলম্বম বুদ্ধিনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক করম্না চাবা হৌরকপা অমসুং ময়াই কাবা চীঙ্গাকশিংদগী করম্না লাপথোক্কনি হায়বনচিংবগী মতাংদা ৱাঙংখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

দিল্লিদা লৈশাবী অমা শিরল্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) : গান্ধী স্মার্ক নিধি ময়ুর ভিহার ফেজ ১, ন্যু দিল্লিদা লৈবা বাপু নেচর কিওর হোস্পিটাল অমসুং য়োগআশ্রমদা নেচরোপেথিগী নর্স ওইনা থবক তৌরগা লৈবা চহী ২২ শুরবী নুপীমচা অমা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা মহাক্না লৈরিবা কা অদুদা থৌরি য়ান্দুনা শিরল্লে হায়রি।

চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদু ককচিং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায়দা লৈবা ময়াংলম্বম রোজিকা এলিয়জ নাওচা অপোকপা এম গোকুল কৌই। ঙরাং অয়ুক হোস্পিটালদা দ্যুটি তৌরল্লগা মশাগী কাদা ব্রেকফাষ্ট চারুগনি হায়দুনা চঙখ্রগা থোরকমনদে হায়দুনা য়েংলুবদা ফনেক অমনা থৌরি য়ান্দুনা শীরগা লৈরম্বনি হায়রি। অদুম ওইনমক মীশি অদু কমদৌনা থোকখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অশিবা হকচাং অদু পুলিসনা লৌখৎখ্রে। ইমুং মনুংগী মীওইশিং মফম অদুদা য়ৌশিল্লক্তবনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবা পোষ্ট মোর্তেম তৌদনা লৈরি হায়রি।

‘পি দি এসকী পোৎলম ফঙহল্লু’

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) : উরিপোক নুপী অপুনবা লুপকা খুৎশম্নদুনা ঙসি নুংথিল লম্মোই খোঙনাংখোং মল্টিপর্পজ কম্ম্যুনিটি হোলদা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা উরিপোক অপুনবা নুপী লুপকী কনভিনর ইন চার্জ টিঐচ জিবনলতানা হায়খি, হৌজিক হৌজিক পি দি এসকী পোৎলমশিং শুনা ঙসি ফাওবা মীয়ামদা ফঙহন্দবগীদমক্তা অসিগুম্বা পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। ফুদ সিক্যুরিটি এক্টকী ফংফম থোকপা পোৎলমশিং শুনা ফঙহন্দবগা মরী লৈননা মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ৱাকৎলগনি লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি। মণিপুরগী মফম কয়াদা পি দি এসকী পোৎলমশিং মতম চানা পীনখ্রবসু হৌজিক ফাওবা মফম অসিগী মীওইশিংদি পি দি এসকী পোৎলমশিং মীয়ামদা ফঙহনবা ঙমদ্রি। পি দি এসকী পোৎলমশিং ফঙহন্দ্রিবা ফাওবা চেঙ য়েনবা খুদক্তা লেপকদবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

GAS TODAY
HIYANGTHANG INDANE
SL.NO.: 4385
Booking Upto:29/04/2017
Valid From:26/04/2017
Stk :306
Timing: 07:00am -10:00am
NONGPOK SEKMAI, JCD INDANE
Booking Upto:10/05/2017
Valid From:12/04/2017
Stk :200
Timing: 07:00am -10:00am

নুপীগী মোইরাং পৰ্ব্ব ফেষ্টিবেল হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) : চীং তম য়ুনাইটেদ ৱিমেন্স এসোসিয়েসন কৈশামপাৎনা শীন্দুনা অহানবা নুপী মোইরাং পৰ্ব্ব ফেষ্টিবেল ২০১৭ ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা সুমাং লীলা শঙলেনদা হৌদোকখ্রে।

থা অসিগী ২৫ ফাওবা চথুগদবা ফেষ্টিবেল অদু হৌদোকপগী থৌরমদা ষ্টেট প্লান্নিং বোর্দকী দেপ্যুটি চ্যেয়রমেন এস রাজেন, কোন্থা অহল্লুপকী জেদ পি, পি বিমোলানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট অর্জুন তেলহৈবনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এস রাজেন্না ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী পুৱারি নৈনবদা নুপীশিংনা লৌরকপা থৌদাং ঐখোয়না কাউবা য়াদনা লৈরি। নুপী ঙাক্তগী ওইবা মোইরাং পৰ্ব্বগী ফেষ্টিবেল অমা শীল্লকপা অসি থাগৎনিংঙাই ওই। মোইরাং পৰ্ব্বদা হৌরকফম, কলচর, ত্রেদিসন কয়া অসিনা ঐখোয়বু মশক তাক্লি। মোইরাং পৰ্ব্ব শীনবা হায়বসি নুপী খুন্নাইগী অমদি হৌজিক্কী ফিভম অসিদা নীংথিনা খঙহনবনি হায়না লৌই।

সুমাং লীলা পুথোরকপা মতমদা লীলাগী মগুণ অসি চাউথোকনিংঙাই ওই। ফত্তবা কয়া লীলাদা পুথোক্তুনা উৎলি। মোইরাং পৰ্ব্ব লীলাশিং অসি শানরকপদা য়াওরিবা মৈতৈগী ফজখ্রবশিং অদু উবা ঙম্লগনি। আর্টিষ্ট হায়বসি সোসল ৱার্করনি। মখোয়না লৌরিবা থৌদাং অসি খুন্নাইগী অফবা লম্বীদা চঙশিনবনি। মখোয়গী অৱাবা কয়া য়েংলগা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না পেন্সন পীনবা থৌরাং তৌগনি হায়খ্রবনি। আর্ট এন্দ কলচরগী বজেটতা হাপ্পগা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংশিন্নবা হোৎনরগনি হায়বসু লৈখ্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা সী সী এস কেগী প্রসিদেন্ট অর্জুন তেলহৈবনা হায়খি, মোইরাং পৰ্ব্ব মোইরাংগী ৱারীদা শায়োন তরেৎকী ৱারী অসি খৃষ্টতগী মমাং চহী অমা হেনবদগী লৈরকখ্রবনি। পুৱারিগা শাগোন্নবা ৱারীদা চৎন-কাঙলোন, ৱাহৈগী ফজবা ময়াম য়াওরিবা অদু ফেষ্টিবেল অসিনা অমুক য়েংহনবা হায়বসি খুন্নাইগী অফবা মাইওন অমদা লাকপগা মরী লৈনৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুর ষ্টেট সুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি সৌগ্রাকপম হেমন্তনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, চীং তম য়ুনাইটেদ ৱিমেন এসোসিয়েসন্না নুপী ঙাক্তগী ওইবা মোইরাং পৰ্ব্ব অসি অখন্ননা লৌখৎলকপনি। মোইরাং পৰ্ব্ব হায়বসি মণিপুর লমদম অসিবু শক্তাকপা অমনি। মোইরাং পৰ্ব্বদা থকশি-খাশি, ৱাঙাং-শাঙাং, শাজৎ-লমচৎ, য়ুম্বাল্লোন, লৈঙাক্লোন মচৎ শুনা য়াওরবা অমনি। মোইরাং পৰ্ব্ব লীলা অসিনা মীয়ামদগী লাপথোরকপা হায়বসি অফবা খুদম নত্তে হায়বগী ৱাখল্লোনদা মোইরাং পৰ্ব্ব ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্লুবগী পান্দম থম্বনি। মণিপুরগী মীয়াম্না মোইরাং পৰ্ব্বে মুন্না য়েংদুনা নৈনরবদি ঙসি তাহৈদবা উহৈদবা কয়া থোক্লিবসি থোক্লম্লোই। মোইরাং পৰ্ব্বগী ৱাহন্থোক অসি মীয়ামদা মপুং ফানা পীবা ঙমদ্রবসু খরদি পীফম থোকই। মণিপুর সুমাং লীলানা মোইরাং পৰ্ব্ব কৈদৌঙৈদা লাপথোকপা য়াদবগুম মীয়াম্নসু লাপথোকপা য়াদে। ঐখোয়গী শেংনা লৈজরক্লুবা ত্রেদিসন সুমাং লীলা অসি মাঙহনবা চুমদে হায়না খন্দুনা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্লিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

‘এসেমব্লীদা ৱারেপ লৌবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ ঐচ এন এস) : হয়েংদগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লী মীফম অসিদা লৈঙাক্না ওল মণিপুর মাইনর ইরিগেসন দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ এসোসিয়েসনগী মতম শাংনা ৱারক্লুবা এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টশিংগী ৱার্কচাজ, মষ্টররোল অমদি কেজুয়েল শিন্নীশিংগী অরোয়বা পনখৈ অমা লেপ্পীরম্মু হায়না ফোঙদোরক্লি।

মতম শাংনা এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টকী শিন্নীশিংনা ঈহৌ কয়া হৌখ্রবা মতুংদা শিন্নীশিংগী অৱাবা খঙবীদুনা কুমজা ১৯৭৭ গী এপ্রিল ১৬ তা চহী তরা শুরবা মষ্টররোল অমদি কেজুয়েল ৱার্কচাজ তাহল্লম্বা অমদি চহী তরা শুরবা ৱার্কচার্জশিংনা রিগ্যুলর তাহন্দুনা লাকখ্রবা মতুংদা খঙহৌদনা অমুক নৌনা থোকখিবা ওর্দর অমনা অথিংবা থমজিনখিবদগী মখা তাবা খোঙজংশিং চঙশিনবা হৌরকখিবনি। মমাংগী গভর্নমেন্টনা থবক ওইনদি ওন্থোকপীরমদ্রে। ঙসিদগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লী মীফম অসিদা এঞ্জিনিয়রিং দিপার্টমেন্টশিংদা খরা হেন্না শোথনা লৈরিবা শিন্নীশিং অসিগী খুদোংচাদবা কয়া কুপ্না য়েংবীরগা তুং কোয়গদবা অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা মপুং ফাবা ৱারেপ অমা লৌবীরম্মু হায়রি।

মীওই ১৯ শিখ্রে, ক্রোর ২১৩ ...

লামায় ১গী মখা... চঙখি হায়না পারি।

এসেসমেন্ট রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়খি, মতম খরগী ওইনা লৈফমশিং শিনবা, চীঙ্গাক পীবা, শেৎন-ইন্নবা ফিরোলশিং, অনা-লায়েংগী পোৎলমশিং, থক্লুবা ঈশিং, রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং লৈনবগীদমক লুপা ক্রোর ৪.৮১ রোম অমদি অকায়-অতোই থোকখিবশিংগীদমক লুপা ক্রোর ১.৭৬ রোমসু শীজিন্নখি হায়না পল্লি।

লৌউ-শিংউগী লমদা চীং নিংখায়বা অমসুং লম্বী নমথখিবনা মরম ওইরদুনা লম হেক্টর ৬৬৫.৪৫ রোম শোকহনখ্রে। মসিগীদমক তঙাইফদনা লুপা ক্রোর ১.৫০ রোম শেমজিন-শাজিনবদা চঙগনি। হোর্টিকলচরগী মহৈ-মরোংশিং মাঙ-তাকখিবশিংগী সবসিদি পীবদা লুপা ক্রোর ২.৪০, ঈচাউনা লৌ-শিং মাঙখ্রবা হেক্টর ৮৫,২২৬.১২দা নৌনা মহৈ-মরোং থানবা লুপা ক্রোর ১০১.৪২ অমসুং অকায়-অতোই থোকখ্রবা মফমশিং লৌথোক্লুবগীদমক লুপা লাখ ৫৭.৮০ রোমগী শেন্থং পীবিনবসু চেরোল অসিদা পল্লি।

হন্দক্কী ঈচাউ অসিদা যণ ৫০৮৫, ইরোই ১৯৯, হমেং ৫২৯ অমসুং ওক ২৯৩৯ শিখ্রে। ঙামীশিং নীংথিনা খুন্দা লৈতাহন্নবা লুপা ক্রোর ১৪.০৮, য়ুম-কৈ মাঙ-তাকখিবশিংগীদমক লুপা ক্রোর ২৮.০৯, লম্বী-থোং অকায়-অতোই থোকখিবগীদমক নৌনা শেমজিন্নবা অমসুং পি ঐচ ঈ দিগী স্কিম ৩২, ইরিগেসন স্কিম ১৬৭, ইলেক্ট্রিককী পোল ময়াম মাঙহনখিবা অমসুং মহৈশঙ ১২৮ শোকখিবগীদমক অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৩১.৬৮ লোম পীবিনবসু চেরোল অসিদা পল্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হন্দক্কী ঈচাউ অসিদা পাক্কাগী য়ুম ৬৮ মাঙ-তাকখি। উ-ৱানা শাবা, তিননা কুপ্পা য়ুম ৪১৫ মাঙ-তাকহনখ্রে। চেক্না শাবা য়ুম ২৪৩গী শরুক খরা খরা শোকখ্রে। ঈনা কুপ্পা য়ুম ৮০৪ অমসুং শঙ্গোন ১০৬ রোমসু মাঙ-তাকখ্রে হায়নসু চেরোল অসিদা পল্লি।

টি আর জেলিয়াং সী এম ওইনা...

*লামায় ১গী মখা...*মরি অমসুং পার্টি অসিগী নাগালেন্দ য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট বিসাসোলি লোঙুনা জেলিয়াং শৌগৎপগী ৱারোল গভর্নরদা পীশিনখিবনি।

মশাগী চহী ৬৫ শুরবা অমসুং লৈঙাক পায়রিবা দেমোক্রেটিক এলাইয়েন্স ওফ নাগালেন্দ (দি এ এন)গী চ্যেরমেন ওইরিবা জেলিয়াংনা দি এ এনগী তলকশুবা টার্মদা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ওইনা ৱাশক লৌবা হন্দক্না অনীরক শুবনি।

মমাঙদা প্লানিং অমদি কোওর্দিনেসনগী মিনিষ্টর ওইরম্বা জেলিয়াংনা কুমজা ২০১৪গী মে থাদা অহানবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইখি।

দেঙ্গি নাবা মীশিংগী চাদা ৯২ ...

লামায় ১গী মখা... চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট অসি কাঙদগী শন্দোকপা লায়না লাইওংশিং মশীং য়াম্না শন্দোকপনা মরম ওইদুনা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা মীদিয়াগী মীওইশিং অমদি লৈঙাক্কী ওফিসল কয়াগা লোয়ননা খন্ন নৈনবগী মীফম অসি পাঙথোকপনি। মীয়ামদা পাউজেল কয়া শন্দোকপদা মীদিয়াগী থৌদাং চাওই। কাঙদগী শন্দোকপা লায়না লাইওংশিংদগী চেকশিনবা য়াবা হীরম কয়া মীদিয়ানা পাক শন্না মীয়ামদা খঙহনবা ঙমগনি। ৱাখল্লোন অসিগী মখাদা ঙসি মীদিয়াগী মীওইশিং অমদি ওফিসলশিং য়াওনা খন্ন নৈনবগী মীফম অসি শীনবনি।

য়ুম মনাক্তা ঈশিং তুংশিনবনচিংবা, কাঙ মচা পোকপা য়াগদবা মফম লৈহল্লোয়দবনি। অমোৎ অকায়শিং নীংথিনা শীৎ শেংদোক্তুনা লূ নান্না লৈগদবনি। করিগুম্বা কাঙদগী শন্দোকপা লায়নানা নারে হায়বগী চীংনবা লৈরবদি থিন্থবা তৌদনা মনাক নকপা অনা লায়েংশঙদা পুখৎতুনা লায়েংবগী থবক মখা চথুগদবনি। কাঙদগী শন্দোকপা লায়না ওইবনা ঐখোয় পুন্নমক্না কাঙ চিকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

খন্ন-নৈনবগী প্রোগ্রাম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা জেনিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ মেদিসিনগী দোক্তর কেঐচ লোকেশ্বরনা হায়খি, জপানিজ ইনকেফেলাইটিস নৎত্রগা দেঙ্গীগী লায়না অসি কাঙনা শন্দোকপা লায়না ওইবনা য়াম্না চেকশিনবা তাই। লায়না অসিনা নাবা হৌরকপদা মীওই অদু য়াম্না কন্না অরুম লাইহৌ তৌরক্কনি। ৱাখল মাঙশিল্লকপা, ওনিংবনচিংবা তোয়না ফাওরক্কনি। মশা শোন্থরকপা অমদি কোমাদা লৈরকপা ফাওবা য়াই। লাইওংশিং অসি থেংনরক্লুবদি য়াম্না থুনা দোক্তর তানগদবনি। মালেমগী ওইনা চহী খুদিংগী ওইনা দেঙ্গীগী কেস অসি চাউরাক্না মিলিয়ন ৫০ দগী ১০০ ফাওবগী মনুংদা থেংনৈ। কাঙদগী শন্দোকপা লায়না লাইওং অসি ষ্টেট অসিদসু হৌখিবা চহী খরা অসিদা থেংনদুনা লাক্লি। জে ঈ অমদি দেঙ্গীগী লায়না লাইওং অসি হেক হৌরকপগা নীংথিনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎহৌবা চঙই। কাঙ চীকহন্দনবা হোৎনগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী দি সী শ্যামলাল পুনিয়া অমদি এস পি রাকেশ বরুৱাসু দেইজদা ফমখি। খন্ন নৈনবা প্রোগ্রাম অদুদা হেল্‌থ দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং, দোক্তরশিং অমদি অখঙ অহৈ কয়াসু ৱা ঙাংখি।

মোলেষ্ট তৌরুবা মীওই পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) : নুপী-অঙাং লৈরবা নুপা অমনা চহী ৭ তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমদা মোলেষ্ট তৌরুই হায়বগী মরালদা পুলিসনা নুপা অদু ফারে। খোয়শাউনরবা মীয়াম্না চেন্নরিবা নুপা অদুগী নুপী অতোম্বীগী য়ুম মৈ থাখ্রে।

থৌদোক অসিদা চেন্নবনি হায়বা নুপা অদুগী মমিংনা সঞ্জেনবম সোভা (৪০) অপোকপা পঞ্চণি কৌই। মহাক অৱাং খুনৌ মনিং লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না থা অসিগী ১৭ কী নুংথিল পুং ১ রোম তাবদা য়ুমগী মীওইশিং লৌদা থবক শূবা চৎনখিবগী তাল্লক্তা সোভানা পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা চহী ৭ তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা মহাক্কী নুপী অতোম্বীগী ময়ুমদা মোলেষ্ট তৌই হায়না অঙাং অদুনা য়ুমগী অহলশিংদা ফোঙদোরকপদগী খোয়শাউনরবা মীয়াম্না সোভাগী নুপী অতোম্বীগী পাখন ওইনা শাবা য়ুম মৈ থাদোকখ্রে। অদুগা থংননা লৈবা মহাক্কী নুপী অহলগী য়ুমজাউদি করিমত্তা অশোক-অপন নংহনখিদে। থৌদোক অদুগী মতাংদা নুপা অদুনদি মহাক্না মোলেষ্ট তৌবা লৈতে হায়রি। অদুবু নুপীমচা অদুনদি মহাক্না মোলেষ্ট তৌই হায়না ফোঙদোরক্লি। পাৎশোই পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিগৎপা হৌখ্রে। পুলিসনা নুপা অদু ফাদুনা পুরকপা মতমদা লৈকায়গী মীওইশিংনা মখোয়দা শিন্নৌ, পুবা য়ারোই হায়না থিংখি। অদুবু পুলিসনা মীয়াম অদু ৱাখল তাহল্লবা মতুংদা পুলিসনা নুপা অদু পুদুনা লাকখি হায়রি।

সী এমগী রিলিফ ফন্দদা লুপা ১৭,২৮,৫৫৭ মতেং পাঙখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা লুপা ৪,৩৭,০০০, স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্তরনা লুপা ২,০০,০০০, মাইপাকপী মের্টেনিটি এন্দ চাইল্ড হোস্পিটালনা লুপা ২,০০,০০০, ইম্ফাল হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স ইন্সটিট্যুটনা লুপা ১,৫০,০০০, জিবন হোস্পিটাল ককচিংনা লুপা ১,০০,০০০, সিটি হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্তরনা লুপা ১,০০,০০০, কেথলিক মেদিকেল সেন্তরনা লুপা ১,০০,০০০, ইবোয়াইমা হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্তরনা লুপা ২০,০০০, নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিনা লুপা ১,০১,৫৫৭, খোঙনাং গ্যাস এজেন্সীনা লুপা ৩০,০০০, সাউথ ইষ্ট মণিপুর কোলেজনা লুপা ৫০,০০০ অমসুং অনৱার হুসেন্না লুপা ৪০,০০০ দোনেট তৌখি।

ঙসি চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখিবা অচম্বা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা তেঙবাংগী শেনফমশিং অদু খুৎশিন্নখি।

চীফ মিনিষ্টর রিলিফ ফন্দদা মতেঙ পাঙবীরকখিবা ওর্গনাইজেসনশিং অমসুং লন্নাই মীওইশিংবু চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মীয়াম্না মীনুংশিগা লোয়ননা ঈচাওনা অৱাবা নংহল্লবা মীয়ামবু মতেঙ পাঙবীদুনা মখোয়গী ময়ুম মকৈ শেমগৎ শাগৎপদা তেঙবাংবীয়ু হায়খি।

বজেট সেসন ঙসিদগী ...

*লামায় ১গী মখা...*দিমান্দ দিস্কসন, ইন্ত্রদক্সন ওফ মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন (৩) বিল লৈগনি। থা অসিগী ৩১ দা দিমান্দ দিস্কসন অমদি গভর্নমেন্ট বিল ইন্ত্রদক্সন লৈগনি। ওগষ্ট ১ দা ৱাহং পাউখুম, দিমান্দ দিস্কসন লৈগনি। ওগষ্ট ২ দা ৱাহং পাউখুম, দিমান্দ দিস্কসন, কন্সিদরেসন এন্দ পাসিং গভর্নমেন্ট বিল লৈগনি। ওগষ্ট ৩ দা ৱাহং পাউখুম, দিমান্দ দিস্কসন লৈগনি, ওগষ্ট ৪ দা ৱাহং পাউখুম, দিমান্দ দিস্কসন, কন্সিদরেসন এন্দ পাসিং (৩) বিল ২০১৭ অমসুং এপ্রোপ্রিয়েসন বিলশিং পুথোকপা অমদি খন্নরগা পাস তৌবগী এজেন্দা য়াওরি।

লাখ ২৮ রোমগী হেরোইন ...

*লামায় ১গী মখা...*মদুদা অঙাঙবা মচুগী সন্ট্রো কার (এম এন ০৬এল/৫৬৬৫) অমা লাকপদগী পুলিসনা গাড়ী অদু খামদুনা চেক তৌখি। মদুদা কার অদুদা নিংথিনা পেক তৌরগা সাপোন কেপ মঙাদা নম্বর ফোর হেরোইন পাউদর অদু হাপ্পগা পুরম্বনি হায়রি।

পুলিসনা ময়াই কাবা চীঙ্গাক্তা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুদি মোরে গম্নোম ভেং ৱার্দ নম্বর থ্রীদগী বি কৃষ্ণ (২৬) অপোকপা কে আর বাবু অমদি তেংনৌপলদগী সোলিংলেটখোঙম মাটে এলিয়স ঙম্লিও (২৬) অপোকপা এস জেমখোকাই মাটে কৌই। ফারবা নম্বর ফোর হেরোইন অদু মালেমগী কৈথেলদা লুপা লাখ ২৮ লোমগী মমল ওইগনি হায়রি।

নম্বর ফোর হেরোইনগা কোন্না ফারবা মীওইশিং অদু মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথুনবগীদমক পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

ইম্ফালদা লুপা ৫, ১০ অমসুং ...

*লামায় ১গী মখা...*য়োল্লিবা কাঙবুশিংগীদি লৈঙাক্না নন-জুদিসল ষ্টাম্পগী ভেল্যু অদুগী চাদা ৩.৭৫ কম্মিসন পী। মরম অদুনা মমল হেন্না য়োনবশিং লোগী মখাদা চৈরাক পীবা য়াই হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখি।

মখোয় নৎত্রবসু চৈরাপ কোর্টকী মমাঙ অমসুং পোষ্ট ওফিসকী মমাঙনচিংবদা নন-জুদিসল ষ্টাম্পশিং মমল হেনগৎনা য়োল্লি হায়রিবদু অশেংবা ভেন্দর লাইসেন্স পায়বা মীওইশিং নত্তে। মখোয়না য়োল্লিবদু করম্বা ভেন্দরদগী লৌবনো হায়বদু নন-জুদিসল ষ্টাম্প অদুগী মনমদা মমিং থারমগনি। মমিং থারম্বা ভেন্দর লাইসেন্স পায়বশিং অদুনা পরম চুমদনা থবক তৌরম্বা তারগদি মখোয়গী মমীং ককপগী ওইথোকপা য়াবা মরম য়াম্না লৈ।

ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতগী ফংবা থাজবা য়াবা পাউ অমনা হায়, ষ্টোক্তা হৌজিকসু লুপা ১০ অমসুং লুপা ২০গী ষ্টাম্প পেপরশিং লৈ। অদুবু মশীং য়ামদবা মরম্না ষ্টাম্প ভেন্দরশিংদা পীথোকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লুবদগী থাদোক্তবনি। মসিগীসু মথক্তা ইম্ফালদা হৌজিক হৌজিক লুপা ৫গী নন-জুদিসল ষ্টাম্প লৈতে। ষ্টাম্প মখল অসি লৈনবগীদমক লৈঙাক্না মাঙজৌননা শেল পীখ্রে। অদুবু মরী লৈনবা ওথোরিটিনা থারকউ হায়বা য়াখিদে। মখোয়না ষ্টাম্প পেপরশিং অদু লৌরনবা খঙহল্লকখিবদি লৈ।

কাংপোকপীদা লৈবাক চেকখায়বগী মতাংদা এক্সপর্ট টিমগী রিপোর্ট পীখৎলক্লে: রিজিজু

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) : কাংপোকপীগী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কাইকোলা ভিলেজদা লৈবাক চেকখায়রকপগী মতাংদা এক্সপর্ট টিমদগী প্রিলিমিনরি রিপোর্ট পীখৎলক্লে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম এফেয়র্স কিরেন রিজিজুনা ঙসি পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা এম পি কে ভাবানন্দনা হঙলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা ফোঙদোকখ্রে।

কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতা লৈবাক চেকখায়রকপগী মতাংদা এম পি কে ভাবানন্দনা হঙলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম পীরদুনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হোম এফেয়র্স কিরেন রিজিজুনা হায়খি, চহী অসিগী জুন ৪ দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কালিখোলা ভিলেজদা লৈবাক চেকখায়বগী থৌদোক থোকখি। ষ্টেট লৈঙাক্তগী ফঙবা ইনফোর্মেসনগী মতুংইন্না লেন্দস্লাইদ অদুনা মরম ওইদুনা য়ুম ২৪ রোম অমাঙ অতা থোকখ্রে। এক্সপর্ট টিম অমনা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লুরে। এন দি এম এনা শেম্বা এক্সপর্ট টিম অদুদা জিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়াগী মীহুৎশিং, সেন্ত্রেল রোদ রিছর্স ইন্সটিট্যুটকী মীহুৎশিং, সেন্ত্রেল ৱাটর কম্মিসন অমদি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী মীহুৎশিং য়াওরি।

এক্সপর্ট টিম অসিনা চহী অসিগী জুন ১৪ অমদি ১৫ দা লৈবাক চেকখায়রিবা মফম অদুদা চৎতুনা য়েংশিল্লবা মতুংদা প্রিলিমিনরি রিপোর্ট অমা পীখৎলক্লে। চেকশিন থৌরাংগী থবক লৌখৎনবা সজেসন তৌবা য়াওবা ৱাফম য়াওবা রিপোর্ট অদুদা রিক্কমেন্দেসন কয়াসু য়াওরি। রিক্কমেন্দেসনশিং অদুগী মনুংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মফমদা লৈবা য়ুমশিং খঙদোকপা, শোকহল্লবা মফম অদুদগী দাইভর্ট তৌনবা ড্রেনেজ নেটৱার্ক শেম্বা, মফম অদুদা লৈবা ঈশিং য়োকপা পুখ্রিশিংদগী ঈশিং চিংথোকপা, তুরেলশিংগী খোঙনুং শেংদোকপা, তুরেল তোৰ্ব্বান শেমজিনবা, হৌজিক হৌজিক চেকখায়রিবা মফম অদু মেনশিনবা, লাউনা চেকখায়রিবশিং অদু মেনশিন্দুনা নীংথিনা লেবেল্লিং শেম্বা, খুঞ্জাশিংদা সস্তেনেবল লেন্দ ইয়ুজ পেটর্নগী ওইনা তৌবা য়াবা অমদি য়াদবশিং নীংথিনা খঙহনবা অসিনচিংবা য়াওরি।

রিক্কমেন্দেসনশিং অসি মণিপুর লৈঙাক্তা তঙায়ফদবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। এক্সপর্ট টিম অদুনা মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসলশিং অমদি দেপ্যুটি কম্মিস্নর কাংপোকপীসু উনদুনা ৱারী শানখি। দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী লৈপাক চেকখায়বদগী শোকহল্লবা মফমশিং অদুগী মীওই কয়া শাফগদবা মফমদা হোংদোকহনবা লৈখ্রবনি হায়নসু মখা তাখি।

কলচরেল এপ্রিসিয়েসন কোর্স লোয়শিনখ্রে, সর্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) : মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়ম, দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচরনা শীন্দুনা চথরকখিবা নুমিৎ ১০ নিগী ওইবা কলচরেল এপ্রিসিয়েসন কোর্স লোয়শিনবগী থৌরম ঙসি মণিপুর ষ্টেট ম্যুজিয়মগী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। কোর্স অসিদা শরুক য়াখিবশিংদসু সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে।

কলচরেল এপ্রিসিয়েসন কোর্স লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী কম্মিস্নর এম লক্ষ্মিমি কুমারনা হায়খি, মীয়াম্না সজেসন অমসুং ৱাখল্লোন কয়া পীবসি য়াম্না নুংঙাই। মণিপুরখক্তা নত্তনা কলচরেল হেরিটেজ হায়বসিগী মরুওইবশিং অদু খঙমিন্নবা চঙই।

উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা লুংহর ভিলেজদগী মীওই কয়াসু য়াওবা অসিনা কলচরদা হেন্না মপুং ফাহনবা ঙম্লগনি। লুংহর ভিলেজ ফজবা কলচর কয়াগী মশক লৈবা খুননি। কলচরগী ওইবা কোর্সশিং অসি চীং তমগী মফম কয়াদা মপুং ফানা য়ৌহনবা মতমদা কান্নবা ফঙবা ঙমগনি। চীং তমগী ওইবা য়াম্না ইনাকখুনবা কলচর ওইনা লৈরক্লিবসি উহন্নবা মথৌ তাই। অসিগুম্বা প্রোগ্রাম কয়া অসি পায়খৎনবা হোৎনরি। প্রোগ্রামশিং অসি চীংদসু পাঙথোকপা ঙম্লবদি মীয়াম্নসু য়াম্না পান্থা ওইগনি। কলচরগী ওইবা থবকশিং অসি মীসন অমগা লোয়ননা চঙশিনমিন্নবা চঙই। ঙসি শরুক য়ারিবা চান্দেল, সেনাপতি, উখ্রুল, চুড়াচান্দপুরনচিংবদগী ফুরুপশিংনা হোৎনরিবসি হেন্না চঙশিনমিন্নবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্তর ডা. কে সুসিলানা হায়খি, ম্যুজিয়মদা য়েংবা মতমদা ফুরুপ অমগী হৌরকফম অমসুং কলচরগী মশক খঙবা ঙম্মী। ম্যুজিয়মনা শীন্দুনা কলচরেল এপ্রিসিয়েসন কোর্স নুমিৎ ১০ নিগী শীনবসি মতম তেল্লি হায়বসি চুম্মী। মোরেদসু ম্যুজিয়ম থম্বা হৌরে। ম্যুজিয়ম য়েংবদা ৱারী শীংবুন অমা থোকই হায়নরিবনি। দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদগী লাক্তুনা কোর্স অসি য়াওবসি নুংঙাই। দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টতসু পাঙথোকপা ঙম্নবা হোৎনরি। উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা পোই হায়রিবা মফম অসিদা মচিন-মনাওগী লাইগী লাইফম অমা লৈরি হায়না পাউ পীরকই। পোইদা লৈরিবা লাই অসিগী মশক য়েংলগা থিমিন্নসি হায়দুনা খন্নদুনা লৈরি। ইন্টিগ্রিটিগীদা ওইবা প্রাইওরিটি ওইনা থবক তৌনবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লুপা ক্রোর ১.০৮ এসোসিএসন অনীদা ...

*লামায় ১গী মখা...*পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মমাঙদা পুলিস কন্সটেবল লৌখিবগী ফল হৌজিক লাউথোক্তনা লৈরি। মসি লাউথোক্লুবা মতুংদা অনৌবা আই আর বি বট্টালিয়ন মরি লৌগনি।

হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিগী মফম কয়াদা থোক্লিবা ঈশিং ঈচাউগা মরী লৈনবা ৱাহং কয়াগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী টিম অমনা ষ্টেট অসিদা নুমিৎ মরিনি রোম চুপ্না লমদমসিদা থোক্লিবা ঈচাউগী ফীভমশিং অসি য়েংশিনখ্রে। মফম কয়াদা ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইরগা লায়না তিলনা শন্দোরক্কদবশিংদগী ঙাকথোক্লনবা লৈঙাক্না লৌখৎপা য়াবা থবকশিংসু লৌখৎখ্রে। ষ্টেট অসিগী মফম খরদা দেঙ্গি, জপানিজ এন্সেফেলাইটিস অমসুং স্বাইন ফ্লুগী লায়না শন্দোরক্লে হায়বগী পাউসু তারে। হায়রিবা লায়নাশিং অসি মখা তানা শন্দোরকপা থিংনবগীদমক মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অহিং নুংথিল খায়দনা থবক পায়খৎলি।

ঈচাউনা শোকহল্লবা লৌফমশিংদা অমুক হন্না লৌউনবগীদমক লৈঙাক্না ফৌদি য়েন্থোক্লনবা থৌরাংসু তৌরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

কম্পেন্সেসন খূৎশিন্নখিবা থৌরমদুদা সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর করাম শ্যাম, ফোরেষ্ট এন্দ এনভাইরোনমেন্ট মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হঙ্খালিয়ন, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম, সী এ এফ এন্দ পি দিগী কম্মিস্নর কে রাধাকুমার অমসুং দিরেক্টর রঞ্জন য়ুম্নামসু শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা সী এ এফ এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর করাম শ্যামনা মহাক্কী তলবত্তগী লুপা লিশীং ৫০ গী শেনফম অমসু ঈচাউগী অৱাবা তারবা মীয়ামগীদমক য়েংলগা সী এমগী রিলিফ ফন্দদা দোনেট তৌখি।

মহৈরোয়শিংনা ৱাকৎ খোঙচৎ ...

লামায় ১গী মখা... রিজার্ব সিট ওইহল্লু; ইলেক্টোরেল রোলশিং, এসেমব্লি সেগমেন্ট ৮গী লেন্দ রেকোর্দ চেক তৌ অমসুং ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীতোপ-মীয়ানচা খন্দাক্লুবা পোপ্যুলেসন কম্মিসন লিংউ; লোনা য়াদবা মীতোপ-মীয়ানচাশিং ইলেক্টোরেল রোলদগী লৌথোক্লুবা জোইন্ট ফেক্ট ফাইন্দিং টিম শেমউ; লোনা য়াদবা মওংদা মণিপুরদা লৈশিল্লিবা মীতোপ-মীয়ানচাশিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা হলহনখি-গদবনি অমসুং সিটিজেনশিপ এক্ট, ১৯৫৫গী মতুং ইন্না ইলেক্টোরেল রোলদগী মমিং লৌথোক্কদবনি হায়বনচিংবনি।

কে এস এগী মহৈরোয় অমনা ফোঙদোরকপদা, ৱাঙ্খৈ, কাংপোকপী, জিরিবাম, থাংমৈবন্দ, সগোলবন্দ, সুগ্নু, উরিপোক অমদি বিষ্ণুপুরনচিংবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৮ অসিদা কে এস এনা সর্ভে তৌরুবদা ইলেক্টোরেল রোলদা মীতোপ-মীয়ানচা কয়া য়াওরম্না থেংনরে। মীতোপ-মীয়ানচশিংনা পার্মেনেন্ট সেট্টলমেন্ট তৌরম্বা অমসুং লেন্দ ওর্নরশিপ ৱাইট ফংলম্বগী ফাইন্দিংশিং ফংলে। এসেমব্লি সেগমেন্টশিং অসিগী মনুংদা উরিপোক অমদি বিষ্ণুপুরদনা নন-মণিপুরীগী মশিং অসি চাং খরা নেল্লম্বসু তপ্পা-তপ্পা হেনগৎলক্লি।

হৌজিক মীতোপশিং কা হেন্না হেনগৎলক্কদবা ফীভমদা লৈরে। দিকেদ খরগী মতুংদা ওইরক্কদবা ফীভম নুংনাংনিঙাই অমসুং মীপাইনিঙাই ওই। ঙমখৈ ঙাকপা চেক পোষ্টশিংদা চে-চাং য়াওদনা মীতোপ চঙলকপশিং হলহনখিবগী পাউ লোয়ননা হান্না চঙলকপগী পাউশিং থিগৎপগী পাউ থেংনখিদ্রি। মণিপুর লৈঙাক্লসু দিল্লি লৈঙাক্না চান্ননবা য়েংদুনা লৈথোক্লে। মতমদি লেপ্পা লৈতবনিনা নোংমা কাংদনা চঙশিল্লক্লিবা মীতোপশিংনা নোংমদি লৈঙাক পায়খিগদ্রা হায়বা নুংনাংদবা ঙমদে। চহী ২০০০ হেনবগী পুৱারী লৈজরক্লিবা ঈরমদম কংলৈপাক অসি অরোইবা তানফমদা মীতোপ্না খুলিংদুনা পানখ্রবদি লৈজরিবা পুৱারী করিবু কান্নখিগদগে।

এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক্তা মীতোপ্না মীখলদা মীরেপ ওইবা য়াহন্দবা হায়বা পান্দম অমসুং ৱাখল্লোন্দা য়ুম্ফম ওইদুনা খোঙজং চঙশিনবনি। হৌজিক লমদমসিদা মীতোপ্না লাকশিল্লকপগী ফীভমদা লাক্লি। মরম অদুনা অহানবগী ওইনা মীতোপ্না মীখলদা মীরেপ ওইহনবা য়াহন্দনবা অমদি ইলেক্টোরেল রোলদগী মীতোপশিং খন্দোক্তুনা ককথৎনবগী চপ চাবা লো অমা শেম্নবা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে। মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসিদা লমদম অসিগী অহল-লমনশিং অমদি মীয়াম্না শৌগৎপীয়ু হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

CAS Foundation
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION IS GOING
FOUNDATION COURSE
CLASS XI & XII (3RD BATCH)
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)
CLASS X (3RD BATCH)
(English, Maths, Science & Social Science)
Seats are Limited First Come First Serve
Morning Batch (5.00– 8.00 A.M.)
Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS available
For Details contact:- CAS Office Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal.
HL-B/3971/18-31Jy